হুইয়েন লানপাউ


Vol. 41, Issue No.225 | শগোনশেল, হিয়াঙ্গেগী ২১নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, November 09, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50



তাকয়েলদা লৈবা মণিপুর সাইন্স সেন্টরগী ওদিটোরিয়মদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা এ দি সীগী মীহুৎশিংদা হায় ইফিসিয়েন্সি এল ঈ দি লেম্পশিং য়েন্থোকপা থৌরমগী শক্তম *লামায় ৩*


কন্সটেবল লৌবগী কুমজা ২০১৩দা পাঙথোকখিবা দি পি সীগী ফল লাউ-থোক্তববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা সী এমগী গেটতা থোমজিনবগী শক্তম *লামায় ১*


দিমোনেটাইজেসনগী অহানবা কুমওন নুমিৎতা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) শগোলবন্দ মন্দলনা শীন্দুনা *এন্তি ব্লেক মণি দে* থৌরম পাঙথোকপা



মথৌ তৌগদবা ডোক্টর লাক্তবদগী জীরিবামগী নীংশিং খুলদা লৈবা ফমুং ৫০ লৈবা জীরিবাম হোস্পিটালগী ও পি দি থোঙ লোনবগী শক্তম অমা *লামায় ১*

# দিমোনেটাইজেসন মতুংদা ট্রান্সপরেন্ট ওইবা ইকনমি শেমগৎপা ঙম্লে : সী এম

## বি জে পিনা পাকশন্না এন্তি ব্লেক মণি দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): লৈবাক অসিদা দিমোনেটাইজেসনগী তুংদা হেন্না মনুং-মপান ফাওনা উবা ঙম্বা নেসনল ইকনমি অমা শেমগৎপা ঙম্লে হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, দিমোনেটাইজেসন্না ব্লেক মণিগী মথক্তা খুৎ থাবা, জালি নোট থিংবা, টেররিজম অমদি এক্সট্রিমিজমদা শেল থাদবা থিংবা, দ্রগ অমসুং লোনা য়াদবা খুৎলাই লল্লোনবশিংদা শেল থাদবা থিংবা ঙম্লে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, টেক্স থীদনা লৈরম্বা, মশাগী শেন্থোক লন্দ্বীগা চান্নদনা লন-থুম পৈশিনবদগী লুপা ক্রোর ৬৫,২৫০গী শেনফম লৈঙাক্লা খোমগৎপা ঙম্লে। অরিবা লুপা ৫০০ চৎপা অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদবা অসিনা টেররিষ্ট অমসুং এক্সট্রিমিষ্টশিং অমদি দ্রগ লল্লোনবশিংদা চাউনা নীংহন্নবা পোকহল্লে। দিজিটেল ইকনমি চৎনরকপদগী লৈবাক অসিগী বেঙ্ক একাউন্ট ক্রোর ৭৪ রোম আধার ক্রোর ৫৩ রোমগা শম্নহনবা ঙম্লে। লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী কান্নবা ফংগদবা মীওই ক্রোর ৩৫গী বেঙ্ক একাউন্টতা দি পি টিগী খুত্থাংদা লুপা ক্রোর লীশিং ৭৪ ট্রান্সফার তৌরে।

লান্না শেল তান্দুনা বোড়াদা থম্বশিংনদি দিমোনেটাইজেসনবু শাউগনি, মীচম-মীয়ামগী ওইনদি য়াইফগনি। দিমোনে-টাইজেসন তৌখিবগী চহী ১ মপুং ফারকপগী থৌরম পাঙথোক্লি। হুরান লানাদা শেল তানশিন্দুনা বোড়াখাউদা থমজিনবা কয়াদি দিমোনেটাইজেসন লাকপদা শাউনিংগনি। ব্লেক মণি অমদি শেঙ্গা-থুমজাগী ক্রোনিক ওইরবা অনাবা অসি লৌথোক্নবগীদমক দিমোনেটাইজেসন তৌরক্লিবনি হায়খি।

দিমোনেটাইজেসন তৌবগী মহয়না লায়রবশিংগী য়াইফনবা স্কিম কয়া পায়খৎপা ঙম্লে। ইন্দিয়াগী ওইনা চাক্লিবা মশিং য়াম্না হন্থখ্রে। শোন্থহৌরবা মীয়ামগীদমক তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরাং কয়া পায়খৎলক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা অওনবা পুরক্লি হায়না মখা তারি।

য়ুম লৈজদবা মীওই কয়াগী য়ুম শানবা থবক পায়খৎখ্রে। য়ুম লিশিং ৭ হেন্না শাখ্রে। রেজিষ্টার তৌরমদবা কম্পেনি কয়া রেজিষ্টার তৌহন্দুনা টেক্স থিহল্লে। অহোংবা কয়া লাক্লিবা অসি খঙমিন্নবা তঙাইফদে।

ষ্টেট খরদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগী মাঙওইননা পোলিটিকেল পার্টি খরনা দিমোনেটাইজেসনবু ফত্তবা মওংদা পুথোক্লগা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। দিমোনেটাইজেসন তৌবগী কান্নবা কয়া অসি পুম্নমক্লা...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

# দিমোনেটাইজেসনগী মায়োক্তা ওপোজিসন পার্টি ১০ প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

## অপীকপা ইন্দষ্ট্রি কয়া শিহল্লে, মীওই কয়া থবক ফংহন্দ্রে : ও ইবোবী




ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): ওল ওপোজিসন পোলিটিকেল পার্টি এগেনষ্ট দিমোনেটাইজেসন্না শিন্দুনা ঙসি মীয়ামগী খোঙচৎকা লোয়ননা দিমোনে-টাইজেসনগী মায়োক্তা অমম্বা নুমিৎকী থৌরম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে।

ওপোজিসন্দা লৈবা পোলিটিকেল পার্টি ১০ না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা খোঙচৎ অদু ঙসি অয়ুক কোংগ্রেস ভবন্দা পুল্লবা তুংদা খোঙশাল্লকখি। খোঙচৎ অদুনা কোংগ্রেস ভবন্দগী লাক্লগা খুয়াথোং, মিনুথোং, হট্টা, কোনুং মমাঙ তম্না লাক্লবা মতুংদা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা থুংদুনা মফম অদুদা মীয়ামগী ওইবা মীফম পাঙথোকখি। থৌরম অদুগী হৌরকপদা দিমোনেটাইজেসন চৎনরবা মতুংদা ক্যু লেপ্পদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা অৱাবা ফোঙদোক্তুনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপখি।

মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংদি কেশ নৎত্রগা কার্দকী খুথাংদা ঐখোয়গী শেল ঐখোয়না করম্না চাদিং তৌগদগে হায়বা খঙনবা ঐখোয়গী হক ফংহল্লু, শেল লৌথোক্লবা ক্যুদা লেপ্পদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগীদমক কম্পেন্সেসন পীয়ু, মহৈ-মরোং য়োনবগী খুদোংচাবা মাঙহনখ্রবা অমসুং লৌউ-পান্থাদা মহৈ-মরোংগী মরু হুনবা ঙমখিদ্রবা লৌমীশিংদা কম্পেন্সেসন পীয়ু, অপীকপা, ময়ায় ওইবা ইন্টর-প্রাইজশিং থিংজিনখিবদগী থবক লৈত্রবা মীওইশিংদা কম্পেন্সেসন পীয়ু, শেঙ্গা-থুমজাগী কেসশিংগী থবক লৌখৎনবা সেন্টরদা লোক পাল অমসুং ষ্টেটশিংদা লোক আয়ুক্টা লিংখৎনবা থবক খুদক্তা লৌখৎহল্লু।

স্বিস বেঙ্কতা একাউন্ট হোল্ডর ওইবা ইন্দিয়া মচাশিংগী মীংগী লিষ্ট থুনমক ফোঙদোকউ, মপান লমদা লোনা য়াদবা মওংদা লৈখিবা শেলশিং লৈবাক অসিদা থুনমক পুরকউ, পোলিটিকেল করপসন থিংনবা ইলেক্টোরেল...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

# হোষ্টেল থাদোক্তুনা চেল্লুরবা মহৈরোয়শিং সী এমনা মপূক্নিং ফাথখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): এন আই টিগী কেম্পসতা লৈবা শান্নবুংদা থোকখিবা নিংঙাই-শংদাইনবগী থৌদোক্কী তুংদা ময়াং মহৈরোয় অহুম লম্ফেলদা লৈবা মীওই খরনা ফুরকপগী ৱাহৌদা মহৈ তম্লিবা মপান লমগী মহৈরোয়শিং হোষ্টেল থাদোক্তুনা চেল্লুরে।

ইন্সটিট্যুট অসিদা তম্লিবা মপান লমগী মহৈরোয়শিংগী মনুংদা ১১৮ ঙসি অয়ুক পুং ৬.৩৮ রোম তাবদা মেজিক ভেন ১০ অমসুং ওটোরিক্সো অনীদা তোংদুনা হোষ্টেল থাদোক্লগা ময়ুমদা হন্নবগীদমক নোর্থ এ ও সী তম্না চৎখি। নোর্থ এ ও সীদগী ইন্টর-ষ্টেট বস অহুমদা মখোয় পূম্নমক তোংলগা দিমাপুরগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি হায়রি।



পাউ অদু ফংবদগী খুদক্তা ৱায়রলেস সেটশিংদা পাউ পীনদুনা সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মমাঙদা বস অহুম অদু অয়ুক্কী পুং ৭.৩০ রোম তাবদা থিংখি। বস অহুমদা তোংলিবা মহৈরোয়শিং অদু কুমথহন্দনা থম্লবা তুংদা আই জি (এল ও-১) ক্লে খোংসাই, দি আই জি (রেঞ্জ-১) কে জয়ন্ত, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি থেমথিং ঙসাংবনা লূচিংবা পুলিস ফোর্স ময়াম চঙশিল্লকখি। মখোয়বু চীফ মিনিষ্টরনা উনখিসি হায়বগীদমক নখোয়বু লৌবা লাকপনি হায়না ৱারী নীংথিনা শানরবা তুংদা বস অহুম অদু চীফ মিনিষ্টরস সেক্রেটেরিয়েটকী মমাঙদা পুরকখি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মহৈরোয়শিং অদুনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদুগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরগা ৱারী শানখি। ৱারী শানবদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মখোয়বু অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবা থবক খুদিংমক লৌখৎকনি হায়না থাজবা পীখি। তুংদা মখোয়না লৈরিবা এন আই টিগী কেম্পস অমসুং সিক্যুরিটিগী ফীভমশিং অদু হকথেংননা য়েংমিন্নসি হায়দুনা চীফ মিনিষ্টরগা মহৈরোয়শিং অদুগা পুন্না লাকমিন্নখি। তুংদা এন আই টি কেম্পস ...*মখা লামায় ৩ কলম ৩*

# ডোক্টর কারক্তবদগী ও পি দি হাংখিদ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): জীরিবামগী নীংশিং খুলদা লৈবা ফমুং ৫০ থাবা জীরিবাম হোস্পিটাল মণিপুর লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদবদগী হোস্পিটাল অসিগী ফীভম নোংমা নোংমগী শোকচিল্লক্লে হায়রি।

ডোক্টরশিং কারক্তবনা ঙসি হোস্পিটাল অসিগী ও পি দি থোঙ লোনখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা লায়েংবা লাকপা মীয়ামদা হায়নিংঙাই লৈতনা খুদোংচাদবা মায়োক্লখ্রে।

রোষ্টরগী মতুং ইন্না ঙসি ও পি দি তাগদবা নুপী ডোক্টর অদু দিষ্ট্রিক্ট ইম্যুনাইজেসন ওফিসার ওইনা জীরিবামগী বাবুপড়াদা লৈবা সী ঐচ সীদা শীজিন্নখিবগী ও পি দি থবক লেপখিবনি হায়রি।

# য়ু এন সীগী ট্রাইপর্টাইট টোক

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): মণিপুরদা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেমখিবগী মতাংদা থোরক্লিবা ৱাথোক লোইশিলহন্নবগী পান্দমদা থা অসিগী ১০গী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা পুং ১২.৩০দা মথং রাউন্দগী ট্রাইপর্টাইট টোক সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরসতা পাঙথোক্লগনি।

মহৌশাগী মতৌগুম ৱারী শানবগী থৌরমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী জোইন্ট সেক্রেটেরি সত্যন্দ্র গর্গনা ময়াই তাঙবল লৌগদৌরি।

চৈরকসিদা, অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেম্বগী মতাংদা সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা ওৎলৈ-পালৈ তৌদুনা লৈবগী থৌওংবু য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীল (য়ু এন সী)না...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

# এম এস সী তম্না তম্না ওজা ওইরম্বা মীওই অমা থবক লৌথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): এম এস সী (এগ্রীকলচর) তম্না তম্না অপ্পর প্রাইমারী স্কুলগী ওজা ওইরম্বা মীওই অমা থবক্তগী লৌথোকখ্রে।

দিরেক্টর ওফ এদ্যুকেসন (এস) টি ঐচ কিরনকুমারনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না মেঘালয়াগী কোলেজ ওফ পোষ্ট গ্রেজুয়েট ষ্টদিজদা এম এস সী (এগ্রীকলচর) তম্না তম্না কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ইরোং-ঙৌবিখোং অপ্পর প্রাইমারী স্কুলদা এস এস এগী ওজা ওইরম্বা বি কে নমরিবোই কৌবা মীওই অসি থবক্তগী লৌথোকপগা লোয়ননা মঙোন্দা পীখিবা পে অমদি এলাৱেন্স পূম্নমক থা ৬কী মনুংদা লৌখৎলগা মরী লৈনবা হেদ ওফ একাউন্টতা থমজিল্লক্নবা জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসার (কাংপোকপী)দা খঙহনখ্রে।

নমরিবোইবু কুমজা ২০১২গী ফেব্রুৱারী ২৬তা পাঙথোকখিবা দি পি সী মতুং ইন্না প্রাইমারী টিচর (এস এস এ) ওইনা খল্লগা ইরোংঙৌবিখোং প্রাইমারী স্কুল (হৌজিক্লা অপ্পর প্রাইমারীগী থাক্তা ওনখৎলবা)দা পোষ্টিং পীখিবনি। কুমজা ২০১৩গী ফেব্রুৱারী ৪দা থোকখিবা গভর্ণমেন্টকী ওর্দর অমগী মতুং ইন্না হায়রিবা মীওই অসি গেনেনেল হায় স্কুলদা য়ুটিলাইজ...*মখা লামায় ৩ কলম৭*

# মথৱায় চাক্লবা কন্সটেবল কেন্দিদেটশিংনা সী এমগীদা থোমজিনখ্রে, বন্দদি য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৬তা পাঙথোকখিবা পুলিস কন্সটেবল লৌবগী রিক্রুটমেন্টগী ফল লাউথোক্লগা মদুগী মমাঙ কুমজা ২০১৩ বেটচকী দি পি সীগী ফলনা লাউথোকপীদবগী মথৱায় চাক্লবা কন্সটেবল কেন্দিদেটশিংনা ঙসি চীফ মিনিষ্টরস সেক্রেটেরিয়েটকী গেটতা থোমজিল্লকখ্রে।

মশীং য়াম্লবা কেন্দিদেটশিং অদুনা চীফ মিনিষ্টরগী গেট ময়া নক্লা চঙশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা থিংখি। নাকল অনীগী মরক্তা মুক্লরকপদগী পুলিসনা কেন্দিদেটশিং অদু চৈনা কন্দুনা মফম অদুদগী তান্থোকখি।

ৱারৌরবা কেন্দিদেটশিং অদুনা মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উনবদা লৈঙাক্লা দি পি সীগী ফল লাউথোকপীদবগী মায়োক্তা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী হয়েং অহিং নোংয়াই ফাওবা পুং ২৪ টোটেল সটদাউন তৌগনি হায়না লাউথোকখি। অদুবু ঙসি নুমিদাংৱাইরম পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটেরি (হোম) এল সুশিন্দ্রো (য়াইমা)গা উনদুনা ৱারী শানরবা তুংদা টোটেল সটদাউনগী খোঙজং অদু মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌরে হায়না অমুক লাউথোকখ্রে।

বন্দ সস্পেন্দ তৌবা অসিগী মতাংদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম লিলাশিং খোঙনাংখোং মনাক্তা লৈবা এম এল এ, এল সুসিন্দ্রোগী ক্বার্টরদা পাউমীশিংগা উনবদা ওল মণিপুর দি পি সী কমপ্লিটেদ রিক্রুটমেন্ট ওফ পুলিস কন্সটেবল মেল ২০১৩ বেটচকী প্রসিদেন্ট এ বিনোইনা হায়খি, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা লুপ অসিগী প্রসিদেন্টদা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না থা অসিগী ১৪ ফাওবা বন্দ তৌগনি হায়না তৌরম্বা অদু য়ৈথোক্লে। থা অসিগী ১৪ দা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা ৱারী শানগদৌবা অসিদা তং তাবা অমদি খঙলগনি।

অমরোমদা, খুরাই এ সীগী এম এল এ,...*মখা লামায় ৩ কলম ৩*

# দিসেম্বর থাদগী অকনবা খোঙজং হৌরগনি : জে সী আই এল পি এস




ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): চৎলিবা নবেম্বর থা অসিগী মনুংদা য়েৎনবা লৈতবা য়েলহৌমী কন্নবা বিল এসেমব্লিদা পুথোক্তুনা পাস তৌদ্রগদি দিসেম্বর থাদগীদি শিবা চঙবা খঙদবা অকনবা খোঙজং হৌরগনি হায়না জে সী আই এল পি এসনা লাউথোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে সী আই এল পি এস)কী কনভিনর অর্জুন তেলহৈবনা হায়খি, য়েলহৌমী কন্নবা বিল অমা পুথোক্লবা চীং অমসুং তমদা লৈরিবা ষ্টেক-হোল্ডরশিংগা লাক্লিবা নবেম্বর ২৫ ফাওবগী মনুংদা ৱারী শাননবা জে সী আই এল পি এসনা থমখিবা ৱাফম মণিপুর লৈঙাক্লা থওইনা তাদ্রে।

মহাক্না হায়খি, চীং অমসুং তমগী সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজে-সনশিংগা পুন্না ফমিন্নদুনা ৱাখল তামিন্ননবা থবক তৌগনি হায়খিবদু হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপগী মমি উদ্রি। অদুবু জোইন্ট কম্মিটিনা তান্দুনা লাকপা য়েলহৌমী কন্নবা বিল শোয়দনা পুথোক্কদবনি হায়বা ৱাফম অদুদি কৈদৌঙৈদসু লৈথোক্তুনা লৈবা য়ারোই। লৈঙাক্লা করিগুম্বা মীৎয়েং চঙদ্রগদি অকনবা খোঙজং মথং মথং চঙশিন্নবা শেম শারে।

মহাক্না হায়খি, কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩১দা...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

# মেরি কোমনা এসিয়ন ৱিমন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড লৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৪গী এসিয়ন গেমস মতুং তারকপদা এম সী মেরি কোম ভিয়েটনামগী হো চি মিন সিটিদা পাঙথোকপা এসিয়ন ৱিমন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

কে জি ৪৮গী কেটিগরিদা মহাক্না নোর্থ কোরিয়াগী কিম হিয়াং মিবু ৫-০দা মায়থিবা পীদুনা ৫রকশুবা ওইনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

ওলিম্পিক্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রবী বোক্সর অসিনা চহী ৫ কে জি ৫১গী কেটিগরিদা শান্নরুরবা মতুংদা মশানা পামজবা কে জি ৪৮গী কেটিগরিদা অমুক হল্লকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা মেরি কোমনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী গোল্ড মেদল মঙা অমসুং সিলভর অমা পুন্না মেদল তরুক লৌবা ঙমখ্রে।

কুমজা ২০১৪গী এসিয়ন গেমস মতুং তারকপদা হন্দক্কী অসিনা মেরি কোমগী অহানবা ইন্টরনেসনল গোল্ড মেদলনি। মশাগী চহী ৩৫ শুরবী মেরি কোমনা নোর্থ কোরিয়াগী হিয়াং মিগা থেংনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লখি। অদুবু অকোনবদা মেরি কোমনা য়াম্না লাকচবা মওংদা নোর্থ কোরিয়াগী বোক্সর অদুবু মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

গোল্ড মেদল লৌরবা মতুংদা মেরি কোমনা হায়খি, মালেমগী মীওই অয়াম্বনা কাউথোকপীখ্রবসু মীওই খরনা মপুং ফানা শৌগৎপীরকপদগী চেম্পিয়নশিপ অসি লৌবা ঙমখিবনি। ঐহাকপু শৌগৎপীরকখিবা মীওইশিং অমদি থা



খরগী মমাঙদগী মতেং পাংলকখিবা কোচিং ষ্টাফপু থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা কে জি ৫৭গী কেটিগরিদা সোনিয়া লাথরনা সিলভর, কে জি ৫৪গীদা শিক্ষানা ব্রোঞ্জ, কে জি ৬০গীদা প্রিয়াঙ্কা চৌধরি, কে জি ৬৪গীদা লাইশ্রম শরিতা দেবী, কে জি ৬৯গীদা লোভলিনা বোরগোহাইন অমসুং কে জি ৮১ মথক্কীদনা সিনা পুনিয়ানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

এসিয়ন কনফিদরেসন ৱিমন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল লৌখিবগীদমক মেরি কোমবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মেরি কোমনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াবু মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মমাঙদা চাউথোকচনিংঙাই ওইহল্লে।

রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা এম সী মেরি কোমনা ভিয়েটনামদা পাঙথোকপা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ৫রকশুবা ওইনা গোল্ড মেদল লৌরকপদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা থাদোরকপা চেরোল ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

## থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৮.০৫

দীজল : লিটরদা লুপা ৫৬.৫৬

## কন্সটেবল লৌবগী ফল লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ : পুলিস কন্সটেবল (মেল/সিবিল) ২০১৬ কী ফল ঙরাং অহিং অথেংবদা লাউথোকখ্রে। খল্লবা কেন্দিদেট-শিংনা পুলিস ভেরিফিকেসনগী ফোর্ম থা অসিগী ১৫দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৌগদবনি অমসুং দিসেম্বর ১৫গী মমাঙদা ওফিস অৱার মতমদা ফোর্মশিং অদু পীশিল্লক্কদবনি হায়না আই জি (এ দি এম) ডা. এস ইবোচানা থোক্পা চেরোল অমনা হায়রি।

## পুলিসনা লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ : ইম্ফালগী মফম অমদগী শকখঙদবশিংনা হুরানখিবা মেরুন কলরগী স্কোরপিও অমা উখুলগী অৱাংতাং এরিয়াদগী ঙরাং পুলিসনা রিকোভর তৌখ্রে। ইম্ফাল এরিয়াদগী হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী হুরানখিবা গাড়ী অদু ইম্ফাল পুলিসকী ও সী সুবোন্না লুচিংবা টিম অমনা উখুল অৱাংতাং এরিয়াদগী ফঙবা ঙমখিবনি হায়রি।

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 75.288536 |
| US Dollar | 64.978858 |
| British Pound | 85.122493 |
| Australian Dollar | 49.891916 |
| Chinese Yuan Renminbi | 9.802229 |
| Japanese Yen | 0.572871 |
| Malaysian Ringgit | 15.379591 |
| Norwegian Krone | 7.950284 |
| Singapore Dollar | 47.700312 |
| South Korean Won | 0.058373 |
| Swedish Krona | 7.739611 |
| Turkish Lira | 16.701159 |
| Myanmar Kyat | 0.04782 |
| Bangladesh Taka | 0.78041 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 30021.39 |
| Mumbai | – | Rs 30812.83 |
| Delhi | – | Rs 30374.33 |
| Kolkata | – | Rs 30705.88 |

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

## ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৮.২৯ °C | ১২.২৬ °C |
| চান্দেল | ৩১.৫৭ °C | ১৬.০০ °C |
| সীসীপুর | এন এ °C | এন এ °C |
| ইম্ফাল | ৩২.৫৭ °C | ১১.৬২ °C |
| সেনাপতি | ২৭.৪৯ °C | ৯.৮৯ °C |
| তমেংলোং | ৩০.২৪ °C | ২০.০০ °C |
| থৌবাল | ২৮.৬১ °C | ১২.১৭ °C |
| উখ্রুল | ২২.৮৩ °C | ১১.৭৪ °C |
| মণিপুর | ৩২.৫৭ °C | ৯.৮৯ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩০
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## HL POLL

Q : Sangai Festival youramdaida pot hole menbana lambigi fibam fagathanba ngamgani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : MSF amasung KSAgi thoumising khatna-cheinabagi thoudok asi leingakna thingfam thokpra?

Yes 52% No 48%

## অস! লোইরেহে!

রুল্লিংগা ওপোজিসনগা ঈরাং হৌরকপসিদা ভোট নীংশিংব্রা...?



মীখল ময়াবু মান্দ্রনে তৌরিসে...!

## নোটিস

পাউচে অসিগী ট্রেনি রিপোর্টর মরি লৌনবগী অইবা চাংয়েং থা অসিগী ১১, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১০.৩০ তাবদা পাউচে অসিগী লিটরেরী হোলদা পাঙথোক্লগনি। এপ্লিকেসন পীশিল্লকখিবা কেন্দিদেটশিংনা মতম চানা লাক্কদবনি।

*খঙহঞ্জরিবা :* হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স

ঈ-পাজ্ঞা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫